ওজাগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা কোভিদ লাম্থেংনবদা মথৌ পাঙথোক্লিবা ওজা ১০৭ পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস (জেদ ঈ ও) জোন-১না শীন্দুনা ঙসি কৈশামথোং হায় স্কুলদা ওজাগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা মথৌ তৌরিবা ওজা ১০৭ পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী অহানবা তাঙ্কক্তা দি আই মিনি সিনাম; এ আই, এস মঙ্গি; এ আই, এল ইবোতোম্বী; এ আই রোবার্ট হৈক্রুজম; এ আই, এল রিতা; এ আই, এল দময়েন্তি; এসিষ্টেন্ট হেদ মিষ্ট্রেস এস কেমোলাতা অমসুং জেদ ঈ ও জোন-১ সুচেতা খুমুকচমনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা অনীশুবা তাঙ্কক্তনা দি আই, এল ব্রজমনি শর্ম্মা; দি আই, আর কে ভুবেন্দ্রো; এ আই, এন জয়বিদ্যা; এ আই, কে ঐচ অনিল; সার্কল রিসোর্চ পর্সন (সী আর পি) টি ঐচ প্রিয়োকুমার; এ আই, এস ধনবির; এ আই ডা. ইলিনা সোইবমচা; এ আই ধনপ্রিয়া ইঙুদম অমসুং জেদ ঈ ও জোন-১ সুচেতা খুমুকচমনা দেজ মেম্বরশিং ওইখি।

লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী অহানবা তাঙ্কক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাম্থেংননবা হোৎনবদা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা ওজা ৫৫ অমসুং অনীশুবা তাঙ্কক্তনা ওজা ৫২দা এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা জেদ ঈ ও জোন-১ সুচেতা খুমুকচমনা হায়খি, মালেমগী ওইনা তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং কয়া পীরক্লি। লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং ষ্টেট অসিদসু ফংলি। লৈঙাক্লসু লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা লৌখৎলিবনি। ওজাশিংনা স্কুলগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপগী মথক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা কথোকপা অমগা লোয়ননা অহেনবা থৌদাং কয়া লৌবীবগীদমক ওজাগী নুমীৎ থৌরম অসিগা মরী লৈননা ওজাশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎচবনি। মতুংদসু ওজাশিংনা খুন্নাইগী য়াইফননবা থৌদাং কয়া লৌবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু ফোংদোকখি।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখিবগীদমক ফুদ সেফ্টিবু থাগৎলি : পান্দম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): থাঙ্গাল কৈথেলগী ঙারি গলিদা দুকান অমদগী ফাগৎলক্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখিবগীদমক ফুদ সেফ্টি এদমিনিষ্ট্রেসনবু থাগৎলি হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেম্মোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী আই পি আর সেক্রেটরি রোম্নিকান্ত তখেলচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পান্দমগী য়াল্লবা থৌমীশিংনা জাক্কু রোয় কৌবা মীওই অমগী ঙারি গলিদা লৈবা দুকানদগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২দা য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং সিখর, জর্দা, খৈনি, গুট্কা, পান মসালানচিংবা কয়ামরুম ফাগৎলকখি। দ্রাইভ অসি মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী মখাদা লৈবা ফুদ সেফ্টি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংগা খুৎশম্নরগা চথখিবনি। ফুদ সেফ্টিগী দিজিগনেটেদ ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্ট তেকচম ব্রোজেন্দ্রো খাবনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌবীদুনা পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমারগী লুচিং মখাদা ভলন্টিয়রশিংনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিবনি। মতম শাংনা পোৎলমশিং অসি মীয়ামদা য়োন্দনবা কয়ারক হন্না খঙহল্লবসু থৌওইদনা অদুমক চথবনা দ্রাইভ অসি পাঙথোকপনি। নুমীৎ অসিদা মৈখু চেন্দবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং সিখর, জর্দা, খৈনি, গুটকা, পান পরাগ, পান মসালানচিংবা পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। চাউরাক্লা কৈথেলদা লুপা লাখ হেনগদবা পোৎলমশিং অসি ফুদ সেফ্টি এদমিনিষ্ট্রেসননা য়াম্না খোঙলৈ থুনা প্রোসেস তৌদুনা মৈ থাদোকখিবা অসি পান্দমনা অপেনবা পোকই। মরুওইনা তেকচম ব্রোজেন্দ্রো খাববু থাগৎপা ফোংদোকচরি। লোয়ননা নুমীৎ অদুদা খৎন-চৈনবা থোক্তনবা চাউনা মতেং পাংবীখিবা পুলিস ওফিসর অমদি পর্সনেলশিংবুসু পান্দমনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি হৌজিকসু য়োল্লকখিগনি। মরম অসিনা মখা তানা লেপ্তুনা দ্রাইভ চঙশিনবগী মথৌ তারি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা ফৎত্রবা ময়াই কাবা চীঙাকশিং অসি মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনখিগনি। মরন্নাই শেন্দোংখক্কী খল্লগা অসিগুম্বা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং লল্লোন-ইতিক তৌবা অসি খুন্নাইগী য়েক্লবনি। লৈপাক অসিগী লোনা অথিংবা কয়া পীরগসু লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা মতিক চানা থবক পায়খৎপীদবনা থিংবা ঙমদবনি। মরম অদুনা সী এস ওশিংনা হীরম অসিদা খুৎ থাবগী তঙাইফদবা লৈরকই। খুন্নাই অমা শেমগৎপদা ঐখোয় পুম্নগী থৌদাং চাউনা লৈ হায়বসি খঙ্গরগা পান্দমনসু হীরম অসিদা ৱাখল মীৎয়েং থম্বনি। ক্বা মনানা জর্দাগা লোয়ননা ক্বা চারগা মহি ওৎথোকপনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপদা তেংবাঙই। অদুদসু নত্তনা কেন্সর লায়না পোকহনবগী চাউরবা মরমনি হায়না অথিংবা অসি থল্লিবনি। মণিপুরদা ক্বা মনা অসি ফ্লাইটতা অমদি বাই রোদ অনীমক্তা পুশিল্লক্লি। ফ্লাইটতা পুশিল্লকপা য়ারোই হায়বগী অথিংবসু পীখিবা লৈরে। পুলিস দিপার্টমেন্টনা অমদি সী এস ওশিংনসু কয়ারক ফাগৎখ্রে। অদুবু বাই রোদতা পুশিল্লকপা থিংবা অরায়বা ওইদে। অচৌ-অশাং অঙম-অথৌ কয়াগী খুৎ য়াওরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। য়াম্না পোং চাউনা তৌরিবা বিজিনেস অসিদা খুৎ থাবা অরায়বা ওইদে। খুন্নাই অসি কলহৌসি হায়রবদি পুম্নমক কথোকপগা লোয়ননা চঙশিনমিন্নবা তাই। অঙম অথৌ, পুলিস দিপার্টমেন্ট, কন্সর্ন দিপার্টমেন্ট অমদি সী এস ও পুম্ননা মীৎয়েং চঙলবদি করিগী থিংবা ঙল্লোইদগে। পুকচেল শেংনা থৌরাং অসি লৌখৎমিন্নবা মথৌ তাই। পান্দমনা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়াদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

য়ু এ এলনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): উরিপোক্কী মফমশিংদা দুকান ফল্লিবা দুকান মপুশিং, সেলস মেন, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অমদি পেসেঞ্জর ট্রান্সপোর্টকী দ্রাইভরশিংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন মপুং ফানা কাপ্লে হায়বগী সর্টিফিকেট পায়রবা মতুংদা দুকান, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং ফম্বীবা য়াগনি। অদু নৎত্রগনা পুং ৭২গী মনুংদা টেষ্ট তৌদুনা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওই হায়বগী সর্টিফিকেট পায়বা মীওইখক্তনা ফম্বীননবা পুম্নমক্কী মফমদা খঙহঙ্গরি হায়না উরিপোক অপূনবা লূপকী পল্লিসিটি সেক্রেটরি চিংথং নাম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পেসেঞ্জরস ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরশিংনসু হায়রিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎপীনবা খঙহঙ্গরি। কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা, অনীশুবা দোজ কাপ্পগী মতম শুদ্রিবশিংনা পুং ৭২গী মনুংদা টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট পায়রগা ফম্বীনবা খঙহঙ্গরি। কোভিদ-১৯গী টেষ্ট আর টি পি সী আর, টুনেট, আর এ টিনচিংবা খূদিংমক য়েস চেরিটেবল হেল্থ এন্দ রিসার্চ সেন্টর উরিপোক অহন্থেম লৈকায়দা লেম্না তৌথোকপীয়ু। হায়রিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎলি চৎতেহায়বা উরিপোক অপূনবা লূপকী ভলন্টিয়রশিংনা চেক তৌবা হৌরগনি। মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়রি।

‘কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা থবকশিং পায়খৎখিগনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): ব্রাইটৱে ক্লবনা মীয়ামগী য়েংলগা ভেক্সিনেসন অমদি কোভিদতগী ঙাকথোক্লনবা মতম-মতমগী তঙাইফদনা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পায়খৎচখিগনি হায়না ব্রাইটৱে ক্লব, ক্বাকৈথেলগী সেক্রেটরি থৌনাওজম শান্তিকুমার মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অমুকোগা খুৎশম্নরগা চৎলিবা ক্লব ১৬কী অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা চীংফু রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (ক্রুকো)দা য়াওরিবা ব্রাইটৱে ক্লব ক্বাকৈথেল লমদোংনা শীন্দুনা ঙসি কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবগীদমক মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মীওই ১৫০ রোম কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ কাপথোকখ্রে। ব্রাইটৱে ক্লবকী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট হৈস্নাম কিপগেন মঙাং, সেক্রেটরি থৌনাওজম শান্তিকুমার মৈতৈ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী অধক্ষ্য আর কে তরুনি অমদি এস দি সী হিয়াংথাং হোহোই বাইফৈসু শরুক য়াখি। ঙসিগী অসি থারগা ক্লব অসিনা শীন্দুনা মফম অসিমক্তদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকখিবসি মরিরক শুখ্রে। লোয়ননা পুন্না ১১২০ রোমদা ভেক্সিন কাপখ্রে।

মাস ভেক্সিনেসন অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী থা খরগী মমাঙদা ক্লব অসিনা তোঙান তোঙানবা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা মরুওইনা আর দি ৱিং লম্ফেলপাৎ অমদি জে নিমস পোরোম্পাৎতা মীওই কয়া অমা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকহনবদা মতেং পাংখি অমদি চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদ্রবা মীওই কয়া অমা পুদুনা ভেক্সিন কাপথোকহনখি। প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা মেদিকেল টিমবুসু থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়না চেরোলদুনা ফোংদোরক্লি।

লৈঙাকপু থাগৎপা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): লুৱাংশংবম লৈবা স্রিভন হায় স্কুলবু হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা ওনখৎপীরকপদা লৈঙাক অসিবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়না নোর্থ ইম্ফাল দিভেলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন আই দি এস য়ু)গী জেনরেল সেক্রেটরি এন রনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মীৎয়েং মখাদা মতম খরগী মমাঙদা এদেদ কোলেজ অমা ওইরম্বদগী মপুং ফাবা লৈঙাক্কী কোলেজ ওইনা ওনখৎপীখ্রবা লিবরেল কোলেজগা হেক থংননা লৈরিবা খ্বাইদগী লিরবা অমদি মতিক চাবা মহৈরোয় কয়া পুথোকখিবা স্কুলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা স্রিভন হায় স্কুল লুৱাংশংবমবু থেঙ্খাং অনীরক্তা স্কুল ফগৎহনসি মিসন অমদি হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা পুখৎপীরকপা অসিনা লমদম অসিগী অমদি এ সী অসিগীদা নত্তনা শেন্থোক লম্বীদি নেমজবা মহৈ-মশিনদি নীংথিনা তমজনিংবা মহৈরোয় খূদিংমক্তা অচৌবা খুদোল অমা লৈঙাক অসিনা তম্বীদুনা মহৈ-মশিনগী লমদা অনৌবা ইনোৎ অমা শোয়দনা পীরগনি। লৱার ক্লাসতগী গ্রেজ্যুএসন ফাওবা কেম্পস অমগী মনুংদা লৈহনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবা মহৈকোলগী মমি তম্বীরকপা লৈঙাক অসিগী অশানবা মীৎয়েং অসিগীদমক মীয়ামগী মীহুৎ শীন্দুনা নোর্থ ইম্ফাল দিভেলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন আই দি এস য়ু), লুৱাং লৈমরোল লৈশেম লুপ অমদি কোলেজ গেট মৈরা পায়বী লুৱাংশংবমগী মায়কৈদগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মখা তানসু য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা অমদি মহৈ-মশিনগীদমক মখল মথেল শুনা খুদোংচাবা ফংহনগদবা মহৈকোলগী মফম অমা ওইহনবীরক্কনি হায়নসু থাজবা থমজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

কোভিদকী চৈথেং নংলবা ইমুংশিংদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং নংলবা পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খন্নাম লৈরক অমসুং সোয়াম লৈরক্কী ইমুং কয়ামরুমদা এক্স-এম এল এ সাপম কেবানা তেংবাঙ ওইনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

চেঙ, হৱাই, তিলহৌ, আলুনচিংবা য়াওনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু ক্রাউগী মেম্বর তোইজম ইবোচা অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্কর লাইতোঞ্জম থাবাগী খুথাংদা য়েন্থোকখিবনি। লোয়ননা লৈকায় অনী অসিগী লৌমীশিংদসু অহোঙবা মমলদা হার ফংহনখি। মীয়াম্নসু অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জাসিদা তেংবাঙ পীরকপগীদমক সাপম কেবাবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা য়েংখোম লৈরক্তা অশানবা কা ৱাইদুনা লৈবা য়াওনা য়ুমথোঙ ৫০০ রোমদসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে। তেংবাঙ পোৎলমশিংসি এক্স-এম এল এ সাপম কেবানা পরিং নাইনা কোভিদ্কী চৈথেং নংলবশিংদা তেংবাঙ পীবগী শরুক অমা ওইনা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

লৌশিং পুক্কে

অঙাংশিং স্কুল চৎপা হৌরকপদা

মমা-মপা ওইবা খুদিংমক্না খঙবা মথৌ তাবা ৱাফম খরা

মীওইবা খুন্নাইবু খুন্তাক লানশিহনবগা লোয়ননা মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদা য়াম্না চাউনা কায়হল্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কয়া ওনলাইন ক্লাসনচিংবা তৌদুনা হৌখ্রবা মতুং অসিদা হৌজিক লায়না লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ৱেভকী ফিভম খরা শাফরক্লে হায়বা য়ারে। ফিভম খরা শাফরকপগা ইরোয়ননা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা অঙাংশিং স্কুল কাবা হৌননবগী শেম শাবা হৌনখ্রে। লমদম অসিগীসু হৌজিকমক্কী ওইনদি অঙাংশিং স্কুল কাবা হৌবগী ৱাফম লৈত্রগসু ফিভম অসুম ফগৎলক্লগদি স্কুল কাবা হৌরকপা হায়বসি মতম্না পুজরক্লগদবা ৱাফমনি। স্কুল কাবা হৌনরকপগা ইরোয়ননা অঙাংশিংদদি কুইনা উনবা ফংলুদ্রবা মমান্নবা-মমান্নবীশিং উনবা ফংবগী, চেন-চোংদুনা শান্নমিন্নবা ফংবগী মখল মখা কয়াগী নুংঙাইবতনা থল্লগনি। অদুবু অমরোমদনা হৌজিক লৈরিবা দেল্টা ভেরিয়ন্ট, লোক থুংবা অমদি কম্মন ওইবা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সননচিংবা কয়া অমা স্কুলগী খুথাঙদা শন্দোরকপা য়াবগী ফিভম অমদি অদুম্মক লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা মমা-মপা ওইবশিংগী মরক্তদি লাঙতক্লবা অমদি পাখৎপনচিংবা কয়া লৈগদৌরিবনি। অসিগুম্বা মতম তাঙ্কক অসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা খঙজিনবা মথৌ তাবা ৱারম খরা মখাদা পীরি।

চুম্নগী লোক থুংবরা নৎত্রগা কোভিদ-১৯লা হায়বা খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌথোকপা-

হৌজিক লৈরিবা খ্বাইদগী চমম্লবা পোকপা ৱাহংদি কোভিদ-১৯লা নৎত্রগা লোক থুংবরা হায়বসিনি। অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ অসি চুম্নগী লোক থুংবা অমগা মান্নবা মশিং য়াল্লবা সিম্পটমশিংগা লোয়ননা নাবা য়াই। হায়রিবা সিম্পটমশিং অসিগী মনুংদা লাইহৌ খজিক হৌবা, নাতোন মহী চেনবা, খৌনাউ নাবা, কোক চীকপা, লোক খূবা অমদি গেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল প্রোব্লেমশিং য়াওরি। ইনফেক্ট তৌরবা অঙাং অমদা সিম্পটমশিং অসিগী মনুংদগী খরা পূন্না উৎপা য়াই নৎত্রগা অমত্তা উৎতবসু য়াই।

অহলশিংদা কম্মন ওইনা থেংনরিবা মনম অমসুং মহাউ মাঙবগী থৌওং অসি অঙাংশিং মরুওইনা পীক্লিবা অঙাংশিংদদি কম্মন ওইদে। অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯বু কম্মন কোল্ড নৎত্রগা অপ্পর রেস্পিরেটরি ইনফেক্সনদগী তোঙান্না খন্দোকপা ঙমগদবা সিম্পটম অমত্তং ফাওবা লৈতে।

অঙাংশিংদা উবা ফংবা তোপ তোপ্পা সিম্পটমশিং :

কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈবা অঙাং অমদি ইনখৎলক্লিবা খরদা উবা ফংবা তোপ তোপ্পা অমত্তা ঙায়রবা সিম্পটমদি ‘কোভিদ টোজ’ হায়নসু খঙনরিবা উনশাদা, মরুওইনা খোঙশাদা খামতৎপা মান্না দাগফমশিং লৈবা অসিনি। মসি য়াম্না তাঙনা থেংনবা থৌওংনি অদুগা কোভিদ টোজ লৈত্রে হায়দুনা পোজিটিভ ওইরম্লরোই হায়নিংঙাইদি লৈতে।

কনাবু অমদি করম্না টেষ্ট তৌগদগে?

অঙাংশিংদা উৎপা সিম্পটমশিংদি য়াম্না মাইনর ওইবসু য়াবা মরম্না মখোয়বু টেষ্ট তৌগদ্রা নৎত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বসি লুনা থোকপা য়াই। অদুবু করিগুম্বা য়ুমদা রিস্ক ৱাংবা (খুদম ওইনা ইম্যুনোকমপ্রোমাইজ ওইবা নৎত্রগা অহল ওইরবা) মীওই অমা লৈমিন্নরবা, অঙাং অদু স্কুলদা চৎলক্কদৌরবা, মপান থোক্তুনা শান্নরক্কদৌরবা নৎত্রগা মমান্নবশিংগা উনরক্কদৌরবা, অদু ওইরগদি মহাক অদু শোয়দনা টেষ্ট তৌথোক্কদবনি।

অঙাং অদুবু য়াম্না থুনা টেষ্ট তৌথোকপা হায়বসিনা মথৌ তাবা থবকশিংগী ৱারেপ মতম চানা লৌবদা মতেং পাংগদৌরিবনি।

ইশাগী অঙাং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরবদি করি তৌগদগে

ইশাগী অঙাং অদু টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরগদি, খ্বাইদগী ইহান হানবদা তৌগদবা অসি পাখৎতবা হায়বা অসিনি। য়ূমদা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা মীপুম খুদিংমকসু টেষ্ট তৌথোক্কদবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯গীদমক এপ্রুভ তৌরবা লায়েং অমত্তা লৈত্রি। মখোয়দা মথৌ তারিবদি য়াম্না পোথাহনবা অমদি হাইদ্রেট ওইনা লৈনবগীদমক মহী-মনায়শিং মরাঙ কায়না পীথকপা অসিনি।

ইশাগী অঙাং অদুনা উৎলিবা মওং মতৌশিং অদু চেকশিন্না য়েংশিনবিবগা লোয়ননা অঙাং অদুনা অতোপ্পা হেন্না শাথিবা সিম্পটমশিং মায়োক্লরগদি পিদিয়াট্রিসিয়নদা পাউ পীগদবনি। ইখঙ খঙহৌদনা নীংশা হোনবা ৱারকপা, এক্যুট চেষ্ট পেইন, হায় ফিভর, পুক য়াম্না কন্না নাবা, নীংশা হোনবা ৱাবগুম্বা সাইনশিং লৈবরা হায়বদু য়েংশিনগদবনি মরমদি মসি MIS-C নৎত্রগা মল্টিসিষ্টেম ইনফ্লেমেটরি সিন্দ্রোমগী খুদম অমা ওইবা য়াই।

মাস্ক উপ্পা, ভেক্সিন কাপথোকপা অমদি অফবা হাইজিনগী চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎপা হায়রিবশিং অসি মখল খুদিংমক্কী অনাবশিং, কম্মন কোল্ড অমদি ফ্লু ফাওবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক শুকশোয় শোয়দনা তৌগদবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লৈঙাক্লা থৌশাদ্রিবরা নৎত্রগা মথৌ শংদবগীরা মরুওইবা ইস্যুশিংদা মীৎয়েং চঙবিদ্রিবসি

হন্দক্তা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা ক্বাথা খুনৌ বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১দা মরম চাদবা মওংদা বি আর টি এফনা ফেন্সিং খাননবগী শেম শারকপদা মফম অদুগী মীয়াম্না অমদি মফম অদুবু য়েংশিন্দুনা লাকখিবা মণিপুরগী সী এস ও কয়ানা ফেন্সিং তৌগদৌরিবা মফমদু লাল্লি হায়দুনা মায়কৈ কয়াদগী লাওনরকপদা তাদুনা য়েংদুনা লৈবা ঙমদবদগী হান্নদগীসু থৱায় য়াওদুনা লাক্লবা য়ু সী এমগী অখন্নবা টিমশিং মফমদুদা চঙশিন্দুনা হকথেংননা বি আর টি এফকী থবকশিং থীংজিনবতা নত্তনা বি আর টি এফনা ফেন্সিংগীদমক পোষ্ট য়ুংনবা তৌথোক্লম্বশিং য়ূ সী এমগী মেম্বরশিংনা ফুনজিন্দুনা ফেন্সিং তৌবা য়ারোই হায়না থীংজিন্দুনা অচৌবা ইস্যু অমা ওইরিবনি। ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক সেন্টরদগী অখন্নবা টিম খরসু মমাংদা লাক্লমদুনা মখোয়বু বোর্দর পিল্লর ৮১গী য়ুংফম থোকপা মফমশিং খঙদুনা অথুবদা অশেংবা মফমদুদা পিল্লর নম্বর ৮১ অসি য়ুংহল্লগনি হায়না থাজবা পীরম্বদগী ঙসিগী মণিপুরী মীয়াম্না সেন্টরগী অচুম্বদো কৈদৌঙৈ লাক্কদবনো হায়দুনা খৌরাংনা ঙাইনরিঙৈ চৈরকশিদা মতৌ করম্না বি আর টি এফনা মণিপুরী মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা বোর্দর ফেন্সিং তৌননবা হোৎনরক্লিবসি য়াম্না মরম চাদে। সেন্টরগী অয়াবশিং পীরকপদগী ঙসিগী লৈঙাক অসিনা বি আর টি এফতা অয়াবা পীরিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

❒ থোকচোম বিরেন, নিংথৌখোং - ১৪

হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা ইমালোল খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা পাউচে অমনি



মণিপুরদা নুংতিগী অয়ুক্তা ফোঙবা পাউচেশিংগী মনুংদা হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসি অতৈদগী তোপ-তোপ্পা পাউচে অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। পাউচে অসিনা ইমালোল খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা পাউচে অমনি হায়না লৌজে। খুদম খরা পঞ্জরবদা ঈ দান-ঈ কৎপা; ওদিটোরিয়ম-মীপুনশঙ; দায়ত্ব-তেকচাক; চীফ গেষ্ট-অথোইবা মীথুং; প্রসিদেন্ট-থৌরম মপু অসিনচিংবা ৱাহৈশিং অসি পাউচে অসিনা য়াম্না শীজিন্নবা থেংনজে। মসি য়াম্না ফবা অমসুং হৌগৎলক্লিবা ইরমদম অসিগী নহাশিংদা মমালোলবু নুংশিবা অমসুং হেন্না শীজিন্নহন্নিংবগী ৱাখল্লোল অমা পীব্রা হায়না খঞ্জে। লোয়ননা পাউচে অসিনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মীতৈ ময়েক খক্তগী ওইবা পাউচে অমসু ফোঙদুনা ইরোল-ইয়েকপু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা অসিসু য়াম্না শীংথানিংঙাইনি। ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা লোল অসি শীজিন্নদ্রদুনা মপান লমগী লোল, ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি হেন্না পাউচেশিংদা তোয়না শীজিন্নরক্লবদি ঐখোয়গী লোল মাঙখিদুনা ঐখোয়গী লোলগী মহুৎতা হিন্দি নৎত্রগা ইংলিসনা নোংমা শোয়দনা শিনখিবা য়াবগী অকিবা চাওনা লৈ। হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা থবক তৌবিরিবা এদিটরদগী হৌরগা পাউমীশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌবিরিবশিংনা হিন্দি অমদি ইংলিসকী মহুৎতা ইমালোল মণিপুরী ৱাহৈশিং শীজিন্নবিয়ু। মণিপুরীদা লৈতবা ৱাহৈ ওইরগনা ইংলিস নৎত্রগা অতোপ্পা লোল ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মতম শাংনা ইমালোল চাওখৎনবগী থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা মখা তারকপদসু হেন্না ইমালোলগীদমক অচৌবা থৌদাংশিং লৌবিরকখো।

❒ মোইরাংথেম কপিল, ককচিং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৭।০৯।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা, অয়ুক্কী পুং ৬.২২ ফাওবা থৱানগী থাশুনি, মতুং লাংবনগী নোংমা পাল্লনি।

মেষ: লাই-গুরুনা চানবীবা, অচুম্বনা মায় পাকপা অমদি হৈ-শিংবনা শেল-থুম তানশিনবা ঙম্বা লৈ। মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা অমদি মীতোপ থাজবা লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: মরুপ মপাংনা নুংশিনবা হোৎনৌ, হকচাং নুংঙাইবা ৱাংলি, অদুনা থৌয়াম পুগনু। অনৌবা থবক পাঙদবা ফৈ অমদি হান্নদৈ পাঙলকপা থবক্তদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তানগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: নচাক নরল চাওখৎকনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি। তুংগী পোরম য়াংথোকপসু মহৈ য়ানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীংচৎ ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: য়েংনবা খরা চেল্লসু অমদি অঙম্বনা ৱারৌবা লৈরসু ঙাং-শকপা হৈবনা অনিংবা থবক পাঙবদা মায় পাক্কনি। মরি মতানা য়াম্না থাগৎপিবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েংনবা পামগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: নিংবা থুংগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি অমদি অনৌ-অনৌবা থৌরমদৈ ওইজবা ফংগনি। মরম চাদনা মুক্নবা অমদি অনম তানবদি মাঙগনি-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: খোয়রাংবা অমদি অনম তাল্লসু শেল-চৎপা অমদি নিংবা মপা চাদবা নুমিৎনি। তপথৌ অমদি অনৌবা থৌরম পাঙগনু। নাইতোম থৌ পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা: য়েংনবা মরমদি য়াওরুনু অমদি হস্থবা লোয়নগনু। অতৈদি মায় পাক্কনি, শেল ফংগনি, থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি অমদি মীচঙ লৈগনি। অশাওবনদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লৌশিং ফুদোকপদি ৱাই অদুবু অখঙ অহৈ তান্নরদি মায় পাক্কনি। নিংজবা ফংই, য়েংনবদা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি অফবা মরুপ শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু: শক-চু থোকপা ৱাংলি, অনম তানগনু, নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু অমদি হোয়া ফগনু। নচা-ননাইগী অমদি মীয়াম পুনবৈ লমদদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: মরুপ মপাং লোয়নবা অমদি অকল অথৌগী লমদা থোইনা কান্নবা নুমিৎনি। অদুবু চিন কনবা অমদি হোয়া ফবনা অঙম্বগা মুক্নবা য়াবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

কুম্ভ: লাইবক থোইনা ফগনি, নিংবা মপা চাই অমদি অনৌবা আশা লাক্কনি। নচা-ননাই ফংই, তুংগী পোরম য়াৎপা হৈগনি অমদি মীংচৎ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: মায় পাক্কনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি, অফবা মফম ফংজবগী অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবৈ নুংঙাইবা লৈ। অনৌবা অফবা থবক্তনা হেন্না চাওখৎপা উগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।